**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 29-09-2025)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) লময়ানবা হিজম ইরাবতকী ১২৯ শুবা মপোক কুমওন থৌরম হয়েং পাঙথোকবা শেম শাবা লোইরে।

২) মণিপুরদা ধর্ম্মগী চৎনবী অমসুং হরাউ তয়াম্বগা লোয়ননা পান্থোইবী ইরাৎ থৌনি অমসুং দুর্গা পুজা পাঙথোকরি।

৩) রাজ্য সভা সদস্য মহরাজ লৈশেম্বা সনাজাউবনা হায়রি- ষ্টেট ফ্লাৱার ওইরিবা শিরুই লিলি অসি শিরুই চীংদগী মুৎথ্রবদি মণিপুরগী ওইনা মাংজবনি।

৪) রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা জিলাশিংদা আদি কর্ম্ম যোগি অভিয়ানগী থৌরমশিং পাঙথোকরি।

অমসুং

৫) কেন্দ্রগী হকশেল মন্ত্রি জে.পি. নদ্দানা হায়রি- স্বাস্থ নারি সাসক্ত পরিবার কেম্পেনগী মখাদা হৌজিক ফাওবদা লৈবাক শিন থুংবদা হেলথ কেম্প লাখ ৯ হেন্না পাঙথোকখ্রে।

------

ইরাবত (এল)ঃ মণিপুরদা হয়েং লময়ানবা হিজম ইরাবতকী ১২৯ শুবা মপোক কুমওন থৌরম পাঙথোকবা শেম শাবা লোইরে।

রাজ্য থাক্কী ওইনা পালন থৌরম অসি মণিপুর সরকারনা শিন্দুনা ইম্ফালগী থাংমৈবন্দদা লৈবা ইরাবত স্কোয়ার লিলা সিংহ খোঙনাংখোঙদা পাঙথোক্কনি।

থৌরম অসিদা রাজ্যপাল আজয় কুমার ভল্লানা লুচিংদুনা জননেতা ইরাবতকী মীতমদা লৈ কৎতুনা ইকায় খুমবা উৎকনি।

পালন থৌরম অসি তোঙান তোঙানবা মফমশিং অমসুং মণিপুরীশিংদা খুন্দাবা অতৈ রাজ্যশিংদসু পাঙথোকগনি। লময়ানবা হিজম ইরাবত নিংশিং লুপ খোংমন মাংজিলনা শিন্দুনা কোংবা রোডতা মংজিল কম্যুনিতি হোলদা পাঙথোক্কনি। পালন থৌরম অসিদা ইরাবত নিংশিং পালন থৌরমগা মরী লৈননা ঙরাং পাঙথোকখিবা অহানবা ষ্টেট লেবেল স্পোট পের্ন্টিং কম্পিতিসনদা মকোক মথং তাখ্রবশিংদা মনাশিংসু য়েন্থোক্কনি।

লময়ানবা হিজম ইরাবতকী মপোক কুমওন্না লাকপদা মণিপুর বিধান সভাগী অধ্যক্ষ থোকচোম সত্যবর্তা সিংহনা লুচিংবা অসিগী মফমদা শ্রদ্ধাঞ্জলি কৎলি। পাউজেল অমদা মহাকা লময়ানবা অসিবু অচুম্বা, থোং মান্নবা অমসুং মণিপুরবু চাওখৎহন্নবগীদমক কৎথোকখিবা মীৎয়েং শানবা লুচিংবা, সোসিয়েল রিফোর্মর, কবি অমসুং দ্রামাটিষ্টনি হায়না শিংথাখি।

পাউজেল অমদা এম.এল.এ- কে. রোবিন্দ্রো সিংহনা হায়-জননেতা হিজম ইরাবতকী মপোক নুমিৎনা লাকপদা মহাকা কৎথোক্লম্বা অমসুং অশানবা মীৎয়েং অদুদা ইকায় খুমবা উৎলি। চাওখৎপা, ইং তপ্পা মণিপুর অমা ওইনবা হোৎনবদা অমত্তা ওইবগী ৱাখল্লোন অদুদা মীয়াম পুন্না হোৎনমিন্নবগী তঙাইফদবা লৈ। জননেতানা নিংজরম্বশিং মীয়ামা মঙফাওনহল্লশি।

দুর্গা পুজা (এল)ঃ  মণিপুরদা ধর্ম্মগী চৎনবী অমসুং হরাউ তয়াম্বগা লোয়ননা পান্থোইবী ইরাৎ থৌনি অমসুং দুর্গা পুজা পাঙথোকরি।

দুর্গা অষ্টমিনা লাকপদা মণিপুরগী রাজ্যপাল আজয় কুমার ভল্লানা রাজ্য অসিগী মীয়ামদা য়াইফ পাউজেল পীরি। মহাকা হায়- দুর্গা লাইরেম্বীদা কৎথোক্লবা অশেংবা নুমিৎ অসি অফবনা ফত্তববু অমসুং অচুম্বনা অরানববু মায়থিবা পীবগী নিংথিরবা খুদমনি। দুর্গা ইমানা মীপুম খুদিংমক্তা না-য়েক্তবা, নুংঙাইবা অমসুং লৌশিং গ্যান পীনবীবা ওইরসনু হায়রদুনা রাজ্যপালনা হায়-কুম্মৈ অসিনা ঐখোয়গী থম্মোয় অমসুং যুমথোঙ খুদিংমক্তা মঙাল, আশা

অমসুং অচুম্বা মায়ওন পুরকপা ওইরসনু।

ইম্ফাল ৱেষ্টকী হিয়াংথাং লাইরেম্বীদা হয়েং বরগী থৌরম পাঙথোক্কনি। হয়েং অয়ুক অঙনবদা ইমাগী ধুপ আরতি সেবা তৌবগা লোয়নন‌া হরি সংকৃটন হৌগনি। মসিগর তুংদা ৮ নি পানবগী বিহিত পুজা পাঙথোক্কনি। হিয়াংথাং লাইরেম্বী দিভলপমেন্ট সেবা কমিতিগী চেরোল অমনা হায়- য়াচংবা সন্ধ্যাগী মতম পুং ৫ মিনিত ৪৫ তাবা সন্ধি পুজা হৌরগা পুং ৬ মিনিত ৭ তা বলিদান কৎলগা পুং ৬ মিনিত ৩১ দা সন্ধি পুজা লোইশিনগনি।

হয়েং হিয়াংথাং লাইরেম্বীদা পাঙথোক্কদৌরিবা মেরা বর পুজাগী য়েংলগা লম্বী চৎথোক চৎশিনদা অহোংবা খরা লৈরগনি। রাজ্যগী ট্রান্সপোর্ট দিরেক্তর খুমন্থেম দাইনানা থোকপা চেরোল অমগী মত্ংইন্না বরগী থৌরম লোইদ্রিবা ফাওবা অহোংবা অসি লৈগনি। ময়াং ইম্ফাল্লোমদগী লাকপা গাড়িশিং ইম্ফাল তুরেল তোর্বানগী হাওরৈবীরোমদা থৈদুনা চৎখিগনি। ইম্ফাল্লোমদগী হিয়াংথাং তমা চৎকদবা গাড়িশিংনা নিংঙোম্বম সাইদলোমদদা থৈদুনা চৎকনি। নুমিৎ অসিগী ওইনা হম্ফল্লোমদগী লাকপা গাড়িশিং ফুরা মখোঙ নম্বুল মপাল গ্রাউন্দদা পার্কিং ওইগনি। লংথবাল-কাঞ্চিপুরদগী লাকপশিংনা এল.পি. স্কুল মদ্রাসাদা পার্কিং ওইগনি।

মেকোলা অমসুং নিংঙোম্বম ফাওরগা তিদিম লম্বীরোমদগী লাকপা গাড়িশিং হিয়াংথাং কাংজৈবুং গ্রাউন্দদা পার্কিং ওহগনি। ইরোম মৈব্রাও অমসুং নম্বোলদগী লাকপা গাড়ি কমাখ্যা পেমতোন কলেজ গ্রাউন্দদা পার্কিং ওইগনি। ময়াং ইম্ফালদগী লাকপা গাড়িশিং এম.এস. ওইল সার্ভিস শমুরৌ ময়াদা পার্কিং ওইগনি অমসুং লিলোং চজিং, করাম অমসুং হাওরৈবীরোমদগী লাকপা গাড়িশিংনা শঙাই বজার কমপ্লেক্স তখেল্লম্বদা পার্কিং ওইগনি।

ফয়ার (এল)ঃ নেসন ফার্ষ্ট এদ ৭৫ কেম্পেনগী শরুক অমা ওইনা মণিপুর ফায়র সর্ভিসনা শিন্দুনা হোস্পিতাল অমসুং নর্সিং হোমশিংগী ওইনা নোংমগী ওইবা ৬ শুবা ফায়র এন্দ লাইফ সেফতি ত্রেনিং অমা ঙসি মণিপুর ফায়র সর্ভিস

হেদক্কাতর ইম্ফালগী ত্রেনিং কম হোলদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা এদ্দিসনেল সেক্রেতরি (হোম) অন্থেম সুবাস সিংহনা হায়- হোস্পিতালশিংদা ইম্মরজেন্সিগী মতমদা মৈহৌ লাংপোক থোরকপদা লেংথোক লেংশিন তৌবা ঙমদবা অনাবা মীওইশিংবু করমা কনগদগে হায়বগী ত্রেনিং তোইনা পাঙথোকপগী তঙাইফদবা লৈ। মহাকা অনৌবা হোস্পিতালশিংদা মৈহৌ লাংপোক থোকহন্দনবা সেফতি সার্তিফিকেট, ফয়ার সার্ভিসকী গাড়িশিং চংবা য়ানবা মফম খাক্তুনা থম্বা তঙাইফদে।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা মণিপুর ফয়ার সার্ভিসকী দিরেক্তর এল. নবাচন্দ্রনা হায়- ঙসি পাঙথোক্লিবা ত্রেনিং অসিনা মৈহৌ লংপোক থোরকপা মতমদা শিজিন্নগদবা খুৎশু খুৎলায়শিংগী মরুওইবশিং খঙহনবগা লোয়ননা টেকিকেলগী ওইবা দেমোন্সট্রেসনশিং উৎলি। হোস্পিতাল অমসুং অতৈ মফমশিংদা মৈহৌ লাংপোক থোরকপা মতমদা মমল য়াম্লবা মীওইবগী পুন্সি কন্নবা করি থবক পায়খৎপা য়াবগে হায়বদু ত্রেনিং অসিদা তম্বীরি।

মহুদ অমসুং আই.পি.আর দাইরেক্তর ঙাঙোম উতমনা হায়- খঙহৌদনা খুদোংথিবা থৌদোকশিং থোরকপদা পুকিং ফাথনা লৈবগী তঙাইফদবা লৈ। মহাকা য়ুম শাবা মতমদা চৎন কাংলোনশিং ঙাকা চৎনবা, খুৎশু খুৎলায়শিং নিংথিনা থম্বা, অখুবা লম্বীশিংদা লৈবা গাড়িশিংগী ওইনা অপিকপা ফয়ার এক্সটিংগুইসরশিং য়ারিবা মখৈ হাপ্তুনা চৎকদবনি।

ঙসিগী ত্রেনিং অদুগী টেকিকেল সেসনদা হোস্পিতালশিংদা মৈ অমসুং মীওইবগী পুন্সি কনবগী মরুওইবগী মতাংদা অখঙ অহৈশিংনা ৱা ঙাংখি।

সনাজাউবা (এল) ঃ রাজ্য সভা সদস্য মহরাজ লৈশেম্বা সনাজাউবনা হায়রি- ষ্টেট ফ্লাৱার ওইরিবা শিরুই লিলি অসি শিরুই চীংদগী মুৎখ্রবদি মণিপুরগী ওইনা মাংজবনি।

ইম্ফাল ইষ্টকী হৈঙাংদা লৈবা ইবুধৌ মার্জিংদা ক্লাইমেত এদপটেসন প্লানগী মখাদা সেভ শিরুই লিলি কেম্পেন হৌদোক্লদুনা শ্রী সনাজাউবনা হায়- অখঙ অহৈ, সাইন্তিষ্টশিং, এক্সপার্টশিংনা তান্নদুনা ষ্টেট ফ্লাৱার অসি মাংদনবা

হোৎনবগী তঙাইফদবা লৈরে।

কেম্পেন অসি রাজ্যগী দাইরেক্তোরেট ওফ ইনভাইরোনমেন্ট এন্দ ক্লাইমেত চেঞ্জনা ইন্দিজিনস ফাউন্দেসন এন্দ মিস শিরুই লিলি ওর্গনাইজিং কমিতিনা পুন্না শিনবনি। ক্লাইমেত এদপটেসন প্লানগী মখাদা শিরুই লিলি ঙাক শেন্দুনা থমবগীদমক নোংমগী ওইবা টেকিকেল সেসন হয়েং হোটেল ক্লাসিক গ্রান্দেদা পাঙথোক্কনি।

শিব সেনা (এল)ঃ ইপা ইপুশিংনা ঙাক্তুনা থম্লম্বা মণিপুরগী লমগী অপুনবা শক্তম ঙাকবা অখাকপা লৈতনা হোৎনগনি হায়না শিব সেনা মণিপুর প্রদেশনা হায়রি।

ইম্ফালদা লৈবা বালাসাহেব থাক্রে ভবনদা ঙসি দল অসিদা নৌনা মীওই কয়া য়াওরকপগা মরী লৈননা পাঙথোকপা থৌরম অমদা ৱা ঙাংবদা দলগী প্রসিদেন্ট এম. তোম্বীনা হায়- গৃহ মন্ত্রালয়না নেসনেল হাইৱেদা অয়েৎ অপন লৈতনা চৎথোক চৎশিন য়ারে হায়না লাউথোকখ্রবসু অমদি প্রধান মন্ত্রিনা রাজ্য অসিদা লাক্লম্লবসু অককবা কাংলুপ অমগী মীওইশিংদি হৌজিকসু হাইৱে অসিদা চৎপা য়াদ্রি। হন্দক্তা ভারত সরকারনা সুগী য়ান্নবা মতম শাংদোকখিবা অদুবুসু শিব সেনানা য়ানিংদবা ফোংদোক্লি। শ্রী তোম্বীনা হায়- কেন্দ্র সরকারনা হন্দক্তা চৎনবা হৌখিবা জি.এস.টি টু পোইন্ট জিরো অসিনা টেক্স লৌবগী নিয়ম স্লেব অনিদা হন্থরে। মসিনা লমদম অসিগী লৌমীশিং, ঙামীশিং অমসুং অপিকপা করবার তৌবশিংদা চাউনা খুদোংচাবা পীরগনি।

তমেংলোং (এল)ঃ তমেংলোংগী এদ্দিসনেল দিপ্যুতি কম্মিসনার অমসুং আদি কর্ম্ম যোগি অভিয়ানগী নোদেল ওফিসারা চুংলেনমাং কিপজেন্না হায়রি- খুঞ্জাশিংনা মখোয় মখোয়গী খুলশিংদা ব্লোক মাষ্টর ত্রেন্নরশিং লাকপা মতমদা মখোয়বু মতেং পাংবীবগা লোয়ননা খুলগী দরকার ওইবশিং ওফিসিয়েলশিং অদুদা খঙহনগদবনি। মহাকা হায়- তমেংলোং জিলাগী ওইনা অভিয়ান অসি দুইগাইলোং খুলদা থা অসিগী ২৫ দা হৌদোকখি। ভারত সরকারনা মীয়ামগী

য়াইফনবগীদমক তোঙান তোঙানবা স্কিম অমদি প্রোজেক্টশিং পায়খৎলি। অভিয়ান অসি পায়খৎপনা খুঙ্গংশিংদা হেন্না শক্তি পীদুনা মখোয়গী দরকার ওইবশিং অদু ফংহন্নবা হোৎনরি।

কামজোং (এল)ঃ আদি কর্ম্ম যোগি অভিয়ানগী মখাদা আদি সেবা কেন্দ্র কামজোং জিলাগী ফুংয়ার সবদিভিজনগী মনুং চনবা থব্রায় খুলদা ঙসি হৌদোকখ্রে। সেবা কেন্দ্র অদু জিলা অসিগী দিপ্যুতি কম্মিসনার রংনামৈ রাং পিতরনা হৌদোকখি। থৌরমগী শরুক অমা ওইনা য়ুনাইতেদ দিভলপমেন্ট ওফ কম্ম্যুনিতি রিছোর্স মেনেজমেন্ট সোসাইতিনা ভিলেজ ভিজন ২০৩০ অমসুং ভিলেজ এক্সন প্লান্ট পুথোকখি।

নোনে (এল)ঃ আদি কর্ম্ম যেগি অভিয়ানগী মখাদা ভিলেজ এক্সন প্লান মীফম অমা দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন নোনেনা শিন্দুনা আদি সেবা কেন্দ্র লোংমাই পার্ট ৱানদা পাঙথোকখ্রে। নিংশিংবা য়াই, সরকার অসিনা আদি কর্ম্ম যোগি অভিয়ানগী মখাদা তোঙান তোঙানবা প্রোজেক্টশিং পায়খৎনবগীদমক সরকারনা লোংমাই ভিলেজবু খনগৎখিবনি।

ডে (এল)ঃ থৌবাল জিলাগী নেপ্রা কম্পনি অৱাং লৈকাইদা ঙসি ৱার্ল্ড হার্ট ডে পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুগা মরী লৈননা লেমা লায়েংবগী কেম্প অমসু পাঙথোকখি। থৌরম অদু দিষ্ট্রিক্ট হেলথ সোসাইতি থৌবাল অমসুং নোন-কম্ম্যুনিকেবল দিজিজেস সেলনা নুমিৎকী মঙাল ভি.এল.এফ-এম.এস.আর.এল.এম নেপ্রা কম্পনিগা খুৎশমনা শিনবনি।

স্বাস্থ্ নারি সাসক পরিবার অভিয়ানগী শরুক অমা ওইনা দোন্ট মিস এ বিট হায়বা পান্দমদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা জিলা অসিগী দিপ্যুতি কম্মিসনার হনা কামৈনা হায়- অহল ওইরবা ইমা ইপা অমদি ইপু ইবেলশিংবু লুনা চান্না তৌবীবা অমসুং মখোয়বু য়েংশিনবীবা হায়বসি মীপুম খুদিংমক্কী তৌফম থোকপনি।

সেবা (এল)ঃ সেবা পর্বা ২০২৫ নেসন ফাষ্ট এদ ৭৫ কেম্পেনগী মখাদা ক্লিনিনেস এন্দ সষ্টেনেবিলিতি ফোর এ বেত্তর টুমোরো হায়বা ৱাখল্লোনদা বিষ্ণুপুর জিলাগী ইশোক চীফু চীং অচৌবদা উ চারাশিং থাবগী থৌরম অমা ঙসি পাঙথোকখ্রে। জিলা অসিগী দি.এফ.ও- ৱাইখোম রোমাবাইগী মীৎয়েং মখাদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা বিষ্ণুপুর ফোরেষ্ট দিভিজনগী ষ্টাফশিং, ৱাংগোই পুলিস ষ্টেসন অমসুং ৩৩ শুবা অসাম রাইফলসকী পার্সোনেলশিং শরুক য়াখি।

সিবিসি (এল)ঃ সেন্ট্রেল ব্যুরোম ওফ কম্যুনিকেসন ফিল্ড ওফিস চান্দেল অমদি ইন্তিগ্রেতেদ চাইল্ড দিভলপমেন্ট সার্ভিস সেল চান্দেলনা শিন্দুনা ৮ শুবা রাষ্ট্রিয়া পোসন মাগী অখন্নবা আউটরিটচ প্রোগ্রাম ঙসি জিলা অসিগী দি.সি কমপ্লেক্সতা লৈবা মল্টিপরপজ হোলদা পাঙথোকখ্রে।

রাইট ন্যুত্রিসন, হেলদি লাইফ হায়বা হিরমদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা সি.বি.সি ফিল্ড ওফিস চান্দেলগী এসিষ্টেন্ট দাইরেক্তর মোইরাংথেম রুষ্টম, আই.সি.দি.এস সেল চান্দেলগী প্রোগ্রাম ওফিসার অহন্থেম নিমি অমসুং খেংজোই ব্লোক্কী সি.দি.পি.ও পিপা তুন্দর মরিং শরুক য়াখি। থৌরমগী শরুক অমা ওইনা খুদক্কী ওইবা ক্বিজ কম্পিতিসন অমসু পাঙথোকখি।

নদ্দা ঃ কেন্দ্রগী হকশেল অমসুং য়াইফ যুম্বাল মন্ত্রি জে.পি. নদ্দানা হায়রি- স্বাস্থ্ নারি সাসক্ত পরিবার কেম্পেনগী মখাদা হৌজিক ফাওবদা লৈবাক শিন থুংবদা হেলথ কেম্প লাখ ৯ হেন্না পাঙথোকখ্রে। নিউ দিল্লিদা ঙসি হকশেলগী মীফম অমদা ৱা ঙাংবদা শ্রী নদ্দানা হায়- হৌজিক ফাওবদা মী কোতি ৩ লাখ ৬০ হেন্না স্ক্রিনিং তৌখ্রে। মশিং অসি ওক্তোবর অনি ফাওবদা কোতি মরি হেনগনি হায়না পানরি। মহাকা হায়- নরেন্দ্র মোদিনা লুচিংবা সরকার অসিনা হকশেলগী লম হেন্না ফগৎহন্নবা খোঙথাং কয়া পায়খৎলে। মসিগী মনুংদা ঙন্না লাইওং খঙদোকপা, হকশেলগী লম হেন্না চাওখৎহন্নবা হোৎনবা, লৌনগনদবা লায়নাশিংদগী ঙাকথোকবা থৌরাং কয়া পায়খৎপা অসিনচিংবনি।

শঙ্গোম ঃ  লৈবাক অসিদা হৌখিবা চহি ১০ দা শঙ্গোম পুথোকপগী চাং চাদা ৬৩ রোম হেনগৎতুনা টন মিল্লিয়ন ১৪৬ তগী টন মিল্লিয়ন ২৩৯ য়ৌরে। মালেমগী ওইনা শঙ্গোম পুথোকপদা ভারতনা খ্বাইগী মকোক্তা লৈরি অমসুং মালেমগী অপুনবা সপ্লাইগী শরুক মরি থোকপগী অমা ভারত্তগী ওইরি।

--হৌজিক শান্নবগী পাউ--

ফুটবোল ঃ  বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিয়েসন্না শিন্দুনা জিলা অসিগী মিনি ষ্টেদিয়মদা চংথরিবা অহানবা য়ুমাম মনাউ মেমোরিয়েল ফার্ষ্ট দিভিজন ফুটবোল লিগ ২০২৫ গী ফাইনেলদা য়ু.এফ.সি বিষ্ণুপুর অমদি টি.ৰাই.দি.এ তৌবুল থেংনরগনি। ঙসি শান্নখিবা অনিসুবা সেমি ফাইনেল মেটচতা টি.ৰাই.দি.এ তৌবুলনা লোক্তাক এফ.সি লোক্তাক প্রোজেক্টপু পাঞ্জল ৩-০ দা থোইখি।

টি.ৰাই.দি.এগী মায় পাকপগী পাঞ্জলশিং অদু এলেক্স অমসুং দিপসননা চনখি। অদুগা পাঞ্জল অমনা লোক্তাক এফ.সিগী রসকিন সর্তোনা মশাগী গোলদা চনজখিবনি।

ফূটবোলঃ  ককচিং দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিয়েসন্না শিন্দুনা চংথরিবা ২১ শুবা কে.কে. হেমদ্রিয়াল ফার্ষ্ট দিভিজন ফুটবোল লিগকী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা য়ু.সি.সি ককচিংনা টি.য়ু.সি থোংজাউবু পাঞ্জল ৩-২ দা থোইখ্রে। য়ু.সি.সিগী মায় পাকপগী পাঞ্জলশিং অদু অংদুন, এম. দেবরাজ অমসুং এস.ঐচ. শ্রীনিভাসনা চনখি।

ফূটবোলঃ  ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসনগী মীৎয়েং মখাদা চংথগদবা অহুমসুবা প্রেমিয়র লিগ ২০২৫-২৬ কী ফিক্সর থোকখ্রে। তাকয়েলগী সাই গ্রাউন্দদা চংথগদবা লিগ অসিগী অহানবা মেটচ ওক্তোবর ৫ দা শঙ্গাই হিরোস অমসুং সাউর্দ স্পোর্টিং য়ুনিয়ন অনিনা শান্নগনি।

ফূটবোলঃ  জ্‌নিয়র গার্লস নেসনেল ফুটবোল চেম্পিয়নসিপ ২০২৫-২৬ ষ্টেটকী টিমদা য়াওনবগীদমক মণিপুরগী ৱিমেন্স ক্লবশিংনা জ্‌নিয়র গার্লস প্লেয়ারশিং থাগৎলকবা ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসনগী চেরোল অমনা খঙহল্লি।

ৱার্কশোপ ঃ নেসনেল স্পোর্টস গভরনেন্স এক্ট ২০২৫ অমসুং মণিপুর স্পোর্টস দেভলপমেন্ট কোদ ২০২৪ হায়বসিদা নোংমগী ওইবা ৱার্কশোপ অমা ঙসি ইম্ফালগী খুমন লম্পাক স্পোর্টস কমপ্লেক্সকী ওলেম্পিক ভবনদা পাঙথোকখ্রে। ৱার্কশোপ অসি মণিপুর ওলেম্পিক এসোসিয়েসননা শিনবনি।

------